**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মালেমগী অতে মফমশিংগা লোয়ননা ২৬ শুবা ৱাৰ্ল্ড সাইট ডেগী থৌরম মণিপুরদসু ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখি।

হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তনা হায়- চীংগী জিলা মঙাদা ত্রোমা সেন্তর অমদি সি.টি. স্কেন থমবা থৌরাং তৌরি।

২) লোক্তাক হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক প্রোজেক্ট চলাইবদা অয়েৎ অপন লৈতনা নিংথিনা মথৌ তৌহন্নবা এন.ঐচ.পি.সি লিমিতেদকী জেনেরেল মেনেজরনা রাজ্যপালদা তকশিনখ্রে।

৩) ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়রি- রাজ্য অসিদা এলিয়েন স্পেসিস কয়া য়ামা লৈরবগে হায়বদু অখণ্ড অহৈশিংগা তান্নদুনা খঙদোকবা থৌরাং তৌরি।

৪) মণিপুরদা ঙরাং ফাওবদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা অপুনবা মীশিং লিশিং ৩,৩৪১ শুরে।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিগী এগ্রিকলচরেল ইদুকেসন হেন্না ফগৎহন্নবা হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিন্নবা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্সতা খঙহনখ্রে।

------

ডে (এল)ঃ  মালেমগী অতৌ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ২৬ শুবা ৱার্ল্ড সাইট ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

মপুং ওইবা থৌরম নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস এন্দ ভিজ্যেল ইমপেয়রমেন্ট, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনলে হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং দাইরেক্টোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুরনা শিন্দুনা ২৬ শুবা মালেমগী মীৎ উবগী নুমিৎ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নংগী মীৎপু নুংশিয়ু হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তনা হায়- মীপুম খুদিংমকা ইশাগী মীৎ অসি নুংশিবা চংই হায়বসি আর্থ য়ামা লৈবা ৱাহৈনি। মীয়ামা অনা লায়েংগা মরী লৈননা লায়েংশঙশিংদা চৎপা মতমদা ইশাগী মীৎপুসু য়েংথোকপীয়ু। মহাকা হায়- হৌজিক লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসিদা মল্টি সুপর স্পেসিয়েলিতি এসিওর হোস্পিতাল অমা শেমগৎলিবা অসিদা ট্রোমা সেন্তর অমদি সি.টি. স্কেন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মচাকশিং থমবা থৌরাং তৌরি। মসিমক চীংগী জিলা মঙাদা পায়খৎকনি। ডাঃ হেমন্তনা হায়- জিলা অসিদা মীৎকা মরী লৈনবা অনাবশিং লায়েংবগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা রিগুলর ওপথালমোলোজিষ্ট থম্লগনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লেমা মীৎ অমসুং কেটরেক্ত স্ক্রিনিং তৌবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা মীৎ শোক্লবা অহলশিংদা অনোকসু লেমা পীখি। অদুগা কেটরেক্তকী অনাবা লৈবা মীওইশিং মশক খঙদোকখি। নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস এন্দ ভিজ্যেল ইমপিয়ারমেন্টকী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ খোইস্নাম বিক্রম য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

রাজ ভবন (এল)ঃ  এন.ঐচ.পি.সি লিমিতেদকী নৌনা খল্লবা জেনেরেল মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল) হেদ ওফ প্রোজেক্ট গুরসরন সিংহনা ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লোক্তাক হাইদ্রো

ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট চলাইবদা থেংনরিবা অৱাবা অমদি নৌনা শেমজিনগদবা থবক থৌরমশিংগী দরকার ওইবা অচৌবা পোৎলমশিং পুশিল্লকবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মহাকা রাজ্যপালদা পাউদমখি।

শ্রী গুরসরন্না লোক্তাক হাইড্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট অসি মপুং ফানা অমদি নিংথিনা মথৌ তৌহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরাংশিংগী মতাংদসু পাউদমখি। মদুদা রাজ্যপালনা প্রোজেক্ট অসিবু অয়েৎ অপন লৈতনা নিংথিনা মথৌ তৌহন্নবা শেমজিন শাজিনবগী তঙাইফদবা কয়া অদুবুসু গুরসরনদা খঙহন্নখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান এসোসিয়েসন ওফ টুর ওপরেতরস (আই.এ.টি.ও) মণিপুরগী ষ্টেট ইনচার্জ ঐচ. রাধাকৃষ্ণনা শর্ম্মনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নখি।

উন্নবা অদুদা মীহুৎ কাংবু অদুগী মাইকৈদগী মণিপুরদা মপান লৈবাক্তগী লাকপা লম কোইবশিংগী প্রোটেক্তেদ এরিয়া পার্মিৎ (পি.এ.পি) লৌনবা হোৎনবদা টুর ওপরেতরশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা রাজ্যপালদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি। মীহুৎ কাংবু অদুনা মখা তানা রাজ্য অসিগী লম কোইফম কয়াদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন অমদি য়েংবা য়াহন্নবা লম কোইবশিংনা থুংলদ্রিঙৈ মাংওইননা ভিজা লৌবা মতমদা পি.এ.পিগী দরখাষ্ট থাবগী অয়াবা লৈহনবগা লোয়ননা টুর ওপরেতর অমদি আই.এ.টি.ওগী মীহুৎশিংনা মখোয়গী ক্লাইনশিংগী মহুৎ শিন্দুনা পার্মিৎ অসি লৌবগী খুদোংচাবা লৈহনবীনবা রাজ্যপালদা তকশিনখি। তুংদা, মণিপুরদা লম কোইবা কয়াগী পুকিং চিংশিন্নবা টুর ওপরেতরশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

এনভাইরোনমেন্ট(এল) ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিন্দুনা রাজ্য অসিদা ফংলিবা এলিয়ন স্পেসিসশিংগা ক্লাইমেট চেঞ্জকা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা অহুল্লক শুবা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মেইন কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা

থৌরম অদুদা, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর ওফ রিসর্চ প্রোফেসর টি শান্তিবলা, মনিপুর কোলেজগী বোতনিগা এসিসতেন্ট প্রোফেসর ডা.এম.হরিপ্রিয়া অমসুং আই.সি.এ.আর-এন.ঈ.ঐচ, মণিপুর সেন্তরগী সেনিয়র সাইন্তিস ডা.অরাতি নিঙোম্বম শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা খন্ন-নৈনবা অদুগী মতাংদা ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়- মণিপুরদা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অমসুং নোং চীংগী ফিভমদা অওনবা লাকপা অসিনা অনৌবা মখলগী শা-ঙা, পান্বীশিং লৈরক্লিবা অসি মতৌ করমা ওইরক্লিবনো অমদি মসিনা পীরিবা কান্নবা অমদি চৈথেংশিং অদু খন্ননবা মীফম অসি পাঙথোকপনি। ডাঃ ব্রজকুমারনা হায়- রাজ্য অসিদা এলিয়েন স্পেসিস কয়া য়ামা লৈরবগে হায়বদু অখঙ অহৈশিংগা তান্নদুনা খঙদোকবা থৌরাং তৌরে।

সিবিসি (এল)ঃ সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন রিজনেল য়ুনিত ইম্ফালনা সি.ৰাই.এল.সি শিংজমৈ চীংঙা মথক্কা খুৎশমদুনা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। শিংজমৈদা লৈবা হাউ গ্রাউন্দগী অকোইবদা উ চারাশিং অদু স্বাচতা হি সেবা অমসুং এক পের মা কে নাম কেম্পেনগী মখাদা থাবনি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মণিপুরদা ঙরাং ফাওবদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা অপুনবা মীশিং লিশিং ৩,৩৪১ শুরে।

রাজ্যগী মেলেরিয়া ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ঙরাং ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ৭,৪২৪ টেষ্ট তৌখি। হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী মশিং য়ামা পোজিতিভ ওইবা জিলা ওইরি। জিলা অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ২,৩২৬ পোজিতিভ ওইবা থেংনরে। ফেরজোল অমসুং জিরিবাম জিলাদা হৌজিমক্কী ওইনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওই অমত্তা থেংনদ্রি।

চেরোল অদুনা হায়- চহি অসিগী জনুৱারি ১ দগী ঙসি ফাওবদা মফম লিশিং ২,০৬০ অমসুং রিলিফ কেম্প ৬ তা মৈখু কাপথোকপগী থবক চথখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক খুমন্থেম লৈকাই, নাগামপাল কংজাবী লৈরক, থৌদা ভাবোক লৈকাই, ক্বাকৈথেল মখা থোকচোম লৈকাই, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বামোন নহাবম লৈকাইদা লৈবা য়ুম ১২৭ চংদুনা সর্ভে তৌখি। সর্ভে তৌবা অদুদা য়ুম ৩০ দা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা জিলা অদুগী মফম অনিদা পায়খৎলিবা জল জিবন মিসন প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা নম্বোলগী সব-দিভিজনেল ওফিসার অমসুং পি.ঐচ.ই.দিগী একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ারগা লোয়নখি।

মখোয়না য়েংশিনখিবা মফমশিং অদুদি- উৎলৌ ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমসুং খুজাইরোক ৱাটর সপ্লাই স্কিমনি। খোঙচৎ অদ্দা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা প্রোজেক্টশিং অদুগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মতম চানা লোইশিন দুনা মীয়ামদা থকবা অফবা ঈশিং অথুবা মতমদা ফংহন্নবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা পাউতাক পীখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাদা পাংথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল গার্লস ফুটবোল তুরনামেন্টকী মতাংদা মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসি ৮ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুর, সাই, মণিপুর পুলিস অমসুং এন.ঐচ.পি.সিগা পুন্না পাঙথোকমিন্নগদবনি। শান্তি অমসুং চাওখৎনবগীদমক শান্ন-খোৎনবা হায়বা হিরমদা তুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মীফম লোইরবা তুংদা দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা তুরনামেন্ট পাঙথোক্কদৌরিবা মফমদা চত্তুনা য়েশিনখি।

নোনে (এল)ঃ নেসনেল দিৱার্মিং ডেগী অনিসুবা রাউন্দ ঙসি নোনে জিলাদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনেনা শিনবা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী এ.দি.সি, ও.সি, অমসুং সি.এম.ওনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা

জিলা অদুগী অঙাংশিংদা দিৱার্মিং টেব্লেৎ পীজবগী থবক চখুখিবা অদু ওফিসিয়েলশিংনা কুপা য়েংশিনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নোনে জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ অজিন মরিংমৈনা ৱাখলগী অনাবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা লু-নান্না অমদি মচি ওইবা চীঞ্জাক চানবা পাউতাক পীখি।

ব্লড (এল)ঃ বিষ্ণুপুর য়ুথ ফিজিকেল ফিটনেস এসোসিয়েসন, অরাম্বাই তেঙ্গোল লমাংদোং, বিষ্ণুপুর য়ুনিত, লাইফ সেভরস মণিপুর, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমদি ববিনা স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতালনা খুৎশমনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ঈ দান তৌবা অমদি মীয়াম ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর মনিং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। তোল্ল-তারবশিংদা কৎথোক্লবা ঈ হায়না মীংথোনবা থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ২৭ না লেমা ঈ পীখি।

বোদি (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নিউ কৈথেল মানবীদা লৈবা ৯ শুবা অসাম রাইফলসকী গেট ময়াদা লৈবা খাংপোকশঙ অমদা ঙরাং শকখঙদবা মীওই অমগী অশিবা হকচাং লৈরম্লে। পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীওই অদু চহি ৬০ মুক্কী লেং ওইগনি। মশা পায়, কুচু মুই, ফুট ৫ ইঞ্চি ৬ মুক ৱাংই, য়েংবদা নন-মণিপুরী মাল্লি।

চেরোল অদুনা হায়- অশিবা হকচাং অদু মশক খঙদোকবা রিমসকী মোর্গতা থল্লি। মরী লৈনবশিংনা হকচাং অসি নুমিৎ হুমিগী মনুংদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদা লাক্কুনা ক্লেম তৌরগদবনি।

পুলিস (এল)ঃ পুলিস কমেমোরেসন ৱিক ২০২৫ গা মরী লৈননা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্না শিন্দুনা ঙসি ব্রাইতর একাদমি কৈখুদা লাই য়েকপা চাংদমবা অমা পাঙথোকখ্রে। চাংদমবা অদুদা পুন্না মহৈরোই ১৫০ না শরুক

য়াখি। লোয়ননা মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী ওইনা হন্দক্তা ঈশিং ঈচাউনা মাং তাকহনখ্রবা ঙাগী ফার্ম তৌবা ঙামীশিংনা মখোয়গী অকুপ্পা মরোল পীখৎলকবা দিষ্ট্রিক্ট ফিসরি ওফিসার থৌবালনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অমদা ওফিস অসিনা হায়- আধার কার্দ, পত্তা, ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা ঙা য়োকফম ফার্ম নত্রগা পুখ্রিগী জি.পি.এস ফোটো, বেঙ্ক এক্কাউন্ট অমসুং ফোন নম্বর মথং থাগী ১২ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি।

চৌহান ঃ লৈবাক অসিগী এগ্রিকলচরেল ইদুকেসন হেন্না ফগৎহন্নবা হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিন্নবা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্সতা খঙহনখ্রে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা নেসনেল এগ্রিকলচরেল ষ্টুদেন্টস কনফরেন্সতা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- রাজ্যশিংগী লৌউ শিংউ মন্ত্রিগা ৱাফমশিং খন্নদুনা এগ্রিকলচরেল ইদুকেসন নিংথিনা পায়খৎনবা অমসুং হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিনহন্নবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিংদা চিঠি ইদুনা খঙহল্লগনি। মহাকা হায়- অনৌবা ইদুকেসন পোলিসিগা মরী লৈননা মগুন লৈবা এগ্রিকলচরেল ইদুকেসন ফংহনবা হায়বসি য়ামা মরু ওই। লৌমী অমসুং লৌউ শিংউনা লৈবাক অসিবু অওনবা পুরকবগী শক্তি মপুং ফানা লৈ। কনফরেন্স অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- মহৈরোইশিংগী মরক্তা লৌশিং গ্যান, ইনোভেসন, রিছার্স অমসুং অনৌবা এগ্রিকলচরেলগী টেকিকশিংগী ৱাখল্লোন পীথোক পীশিন তৌনবগীনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ভারতপু ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা হোৎনবদা নহা ওইরিবা ওফিসারশিংনা লুচিংবা তুংগীদমক থৌরাং তৌরবা পুলিসশিংনা চাউরবা দাইত্ব লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

নিউ দিল্লিদা ইন্দিয়ান পুলিস সার্ভিস ৭৭ আর.আর ২০২৪ বেটচকী প্রোভেসনরশিংদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- অথুবা মতমদা অথোরিতি অমসুং পৱার পায়রগদবা নহা ওইরিবা ওফিসারশিং অসিনা মথৌ মশক খঙনা থবক তৌগদবনি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- নহা ওইরিবা ওফিসারশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা খঙগদবদি মতম মতমগী থবক থৌরমশিং মায়োকবদা ওফিসার অমা ওইবগী মগুন ঙাকা অমসুং নিতি নিয়ম চুমা থবক তোগদবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চথরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আরবিন্দ পোলো ক্লব-এ ইরোইশেম্বনা খুরাই পোল্লো ক্লব খুরাইবু পাঞ্জল ৮-৩ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব-বি নোংমৈবুংনা কে.আর.এম.এম রাইদিং স্কুল-এ শিংবু পাঞ্জল ৯-৪ অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বিনা লুৱাংপোকপা পোলো ক্লব লুৱাংশংবমবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৪৩ শুবা সি.আর.পি.এফ বত্তাল্লিয়ন্না মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্তর সি.আর.পি.এফ অমসুং স্পোর্টস অথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মেরা য়ুবা ভারত, খেল্লো ইন্দিয়া অমসুং তমেংলোং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশমনা শিন্দুনা অমুর ফালকোন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ তমেংলোংগী এপোলো গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। টিম ১০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা তুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ২৯ ফাওবা চথগনি।

ফুটবোলঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা ১৪ শুবা জাদোনং মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা

মেটচতা এস.কে.ৱাই.সি শওন্থুংনা এল.ৱাই.সি লোংমাই পার্ট টুবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

জিরিবাম (এল)ঃ স্পোর্টস অথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা খেল্লো ইন্দিয়া শরুক অমা ওইনা ১৫৬ শুবা সি.আর.পি.এফ বত্তাল্লিয়ন্না শিন দুনা জিরিবামগী বিদ্যানগর মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লিবা জিরিবাম ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইতেদ ক্রিকেট ক্লব বাবুপারানা ভুমিক পালা ফাদরস টিম বোরো বেক্রাবু রন ১০২ দা থোইখ্রে। মেটচ অদু য়ুনাইতেদ ক্রিকেট ক্লবনা অহানবা বেত্তিং তৌখি।

ক্রিকেট ঃ লখনৌগী ভারত রতা শ্রী অতলবিহারি ভাজপায় একনা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নবা নুপীগী চহি ১৯ মখাগী টি-ত্বেন্তি ত্রোফি প্লেট ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা মেঘালয়বু রন ৪৫ দা থোইখ্রে।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা ২৬ শুবা ৱার্ল্ড সাইট ডেগী থৌরম মণিপুরদসু ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখি।

হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তনা হায়- চীংগী জিলা মঙাদা ত্রোমা সেন্তর অমদি সি.টি. স্কেন থমবা থৌরাং তৌরি।

২) লোক্তাক হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক প্রোজেক্ট চলাইবদা অয়েৎ অপন লৈতনা নিংথিনা মথৌ তৌহন্নবা এন.ঐচ.পি.সি লিমিতেদকী জেনেরেল মেনেজরনা রাজ্যপালদা তকশিনখ্রে।

৩) ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়রি- রাজ্য অসিদা এলিয়েন স্পেসিস কয়া য়ামা লৈরবগে হায়বদু অখঙ অহৈশিংগা তান্নদুনা খঙদোকবা থৌরাং তৌরি।

৪) মণিপুরদা ঙরাং ফাওবদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা অপুনবা মীশিং লিশিং ৩,৩৪১ শুরে।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিগী এগ্রিকলচরেল ইদুকেসন হেন্না ফগৎহন্নবা হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিন্নবা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্সতা খঙহন্খ্রে।

--- পাউ লোইজরে---